১৩শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৯-২০

# এস এস য়ুনা দি এম রাওবু পাঞ্জল ১-০দা অমদি এ এফ সী অমসুং কে এল এ এস এ ১-১দা দ্রো চৎখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭ (ঐচএনএস): খুমুকচম জয়কিশন সিংহনা স্পোন্সর তৌদুনা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)না শীন্দুনা খুমন লম্পাক আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা চথরিবা '১৩শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৯-২০'গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এস এস য়ুনা দি এম রাওবু মায়থীবা পীখি। এফ এস সী অমসুং কে এল এ এস এ দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী ৩৭শুবা মেচতা এস এস য়ু অমদি দি এম রাও লম্বা তৌনখি। টিম অনীমক্না অহানবা হাফ হৌরকপদা লম্বা মান্না শান্নবা হৌরকখি। টিম অনীনা পাঞ্জল চন্নবা এটেক কয়া চথনখ্রবসু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল চন্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতসু টিম অনীমক হেঞ্জিন্নবা ঙমদনা লম্বা তৌনরকখি। অহানবা হাফতা চথনখিবা এটেকশিংদগী খরা হোংদোক্লগা শান্নবা হৌনরকখি। শান্নবগী ৮৫শুবা মিনটতা এস এস য়ুনা চথুরকপা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোয় টি ঐচ চীংখৈঙানবা জর্সি নম্বর ১৫না পাঞ্জল চনবা ঙমখি। শান্নবগী লেহৌরিবা মতমশিংদা এস এস য়ুগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙমদনা অমদি দি এম রাওগী মায়কৈদগী মেচ অসিদা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবদগী মেচ অসি এস এস য়ুনা দি এম রাওবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা ৩৮-শুবা মেচতা এ এফ সী অমসুং কে এল এ এস এ লম্বা তৌখি। টিম অনীমক্না অহানবা হাফতা লম্বা মান্ননা শান্নরকখি। মেচকী ১৯শুবা মিনটতা কে এল এ এস এনা চথুরকপা এটেক অমদা এ রোমেস জর্সি নম্বর ১১না একাউন্ট হাংবা ঙমখি। এ এফ সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্নবা চথুরকপা এটেক অমদা শান্নবগী ৩৫শুবা মিনটতা টিম অদুগী টি ঐচ সুরজ জর্সি নম্বর ২৩না ইক্বেলাইজর চন্দুনা পাঞ্জল ১-১দা লৈনখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্নবা ঙমদনা পাঞ্জল ১-১দা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপদা টিম অনীমক হেঞ্জিন্নবা ঙন্নখিদে। পাঞ্জল ওইবা য়াবা কয়া ফংনখ্রবসু পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদনা এ এফ সী অমসুং কে এল এ এস এ পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখি।

ফর্স্ত খেলো ইন্দিয়া য়ুনিভর্সিটি গেমস ২০২০

# ইনুংঙানবীনা জুদো মশান্নদা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭ (ঐচএনএস): ওরিষাগী ভুবনেশ্বরদা লৈবা কলিঙ্গা ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দষ্ট্রিএল টেক্নোলোজিনা য়ুম্মু ওইদুনা পাঙথোক্লিবা অহানবা খেলো ইন্দিয়া য়ুনিভর্সিটি গেমসতা মণিপুরগী বিরমঙ্গোল কোলজগী মহৈরোয় টি ইনুংঙানবীনা কিলোগ্রাম ৬৩গী কাংলুপ্তা মণিপুরগী ঙসি অহানবা গোল্ড মেদল লৌখ্রে।

ঙসি নুংথিল অথেংবদা পাঙথোকখিবা ৱেথ কেটগরি অদুগী ফাইনেল মেচতা মণিপুরগী য়ুনিভর্সিটিগী টি ইনুংঙানবীনা কেরলাগী কোটায়মদা লৈবা মহাত্মা গান্ধি য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয় অখিলাবু মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল অদু ফংখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, টি ইনুংঙানবীনা ক্বার্টর ফাইনেলদা পঞ্জাবকী পতিয়ালাদা লৈবা পঞ্জাবী য়ুনিভর্সিটিগী সুমনবু মায়থীবা পীরম্বনি। অদুগা সেমীফাইনেলদা হরিয়ানাগী রোতক্তা লৈবা মহারিসি দয়ানন্দ য়ুনিভর্সিটিগী প্রিন্তিবু থোইরমখি।

নীংশিং য়াই, ইনুংঙানবীনা কুমজা



২০১৯গী দিসেম্বর থাদা কানপুর সিটিদা লৈবা সত্রপতি সাহু জি মহারষ্ট্র য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোকখিবা ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সিটি জুদো কম্পিটিসনদা গোল্ড মেদল ফংলকখ্রবনি।

চথরিবা খেলো ইন্দিয়া য়ুনিভর্সিটি গেমস অসিদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ওইনা ফেন্সিং দিসিপ্লিনদা সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল অমমম ফংখ্রবনি।

বোক্সিংগী দিসিপ্লিনদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী সোনিয়া বোমজান সেমীফাইনেল বাউট অদু হয়েং পাঙথোক্লগনি। মহাক য়ামদ্রবদা মেদল অমদি ফংলগনি।

মণিপুরগী নুপীগী জুদো টিম অসি রিজনেল কোলেজগী বি সুরজ শর্ম্মনা মেনেজর ওইখি। লোয়ননা তাকয়েল পাৎকী স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া নোর্থইষ্ট রিজনেল সেন্টরগী ঐচ চীংখৈঙানবীনা কোচ ওইনা থৌ পুখি।

ইনুংঙানবীনা গোল্ড লৌরকপা অদুদা এম য়ুগী ভি সি, সেক্রেটরী অমদি স্পোর্টস কম্মিতি অমসুং ওফিসলশিংনা ইনুংঙানবীবু থাগৎলদুনা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকখি।

# মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাংনা অনীশুবা রাউন্দদা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় সাই বিষ্ণু পুলেলাগা লম্বা তৌনরগনি

YONEX© DUTCH JUNIOR INTERNATIONAL

হর্লিম, ফেব্রুৱারী ২৭ (এজেন্সী): নেদর্লেন্দসকী সিটি হর্লিমদা পাঙথোকপা দটস জুনিয়র ইন্টর্নেসল বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০২০গী নুপাগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ২ সিদেদ ওইরিবা মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাংনা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় সাই বিষ্ণু পুলেলাগা ঙসি অথেংবদা অনীশুবা রাউন্দ মেচ শান্নরগনি।

নীংশিংবা য়াই, হন্দক্তা বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসননা লাউথোকখিবা জুনিয়র শান্নরোয়শিংগী খ্বাইদগী নৌবা রেঙ্কিং লিষ্টতা মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাং ৱর্ল্ড নম্বর ২ ওইরগা এসিয়াগী ওইনা জুনিয়র নম্বর ১ শান্নরোয় ওইরিবনি।



ঙসি টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দ মেচতা ইন্দিয়াগী রবিনা জর্মনিগী কিয়ান য়ু ওয়েবু ২১-৭, ২১-১৫দা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা নেপালগী প্রিন্স দহালগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী দবলসতা ইন্দিয়াগী অসুট অদিত্যা রাও অমদি ইদৱিন জয়না ইংলেন্দগী জেক বেৱ্রোস্কি অমসুং হেরি গুদেবু ২১-১২, ১৯-২১, ২১-১৩দা মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দদা সিঙ্গাপোরগী পেয়র য়িমিং জষ্টিন অমদি দোনোভান ৱিলার্দকা লম্বা তৌনরগনি।

অতোপ্পা ইন্দিয়াগী নুপাগী পেয়র গিরিস নায়ুদু বিজেৱারা অমসুং সঙ্কর প্রসাদ উদয়কুমারনা দেনমার্ককী বষ্টর থোলষ্ট্রুপ অমসুং জেপে সোবিবু ২১-১৬, ২১-৮দা অহানবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দদা ফ্রান্সকী পেয়র এলেক্স লেনিয়র অমসুং লুকাস রিনোরগা থেংনরগনি।

# ষ্টিমেকনা কেম্পকীদমক শান্নরোয় ৪৩ কৌখৎপদা মণিপুরদগী হৌখিবা উদান্তা, অমর্জিৎ, জেকিচান্দ অমদি জিক্সন য়াওখ্রে

ভুবনেশ্বর, ফেব্রুৱারী ২৭ (এন্সী): ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল টিমগী হেদ কোচ ওইরিবা ক্রোসিয়া মচা আইগোর ইষ্টিমেকনা ২০২২ ফিফা ৱর্ল্ড কপ অমসুং ২০২৩ এ এফ সী এসিয়ন কপকী অপুনবা সেকেন্দ রাউন্দ ক্বালিফাইয়িং মেচতা কটারগা লম্বা তৌনগদৌরিবা অদুগী মাংওইননা শান্নরোয় ৪৩গী নেসনল টিম কেম্প অমা লাউথোরকপদা মণিপুরদগী হৌখিবা কুমাম উদান্তা, তেলেম জেকিচান্দ, কিয়াম অমর্জিৎ অমসুং থৌনাওজম জিক্সনগী মমিং য়াওরকখ্রে।



কটার অমসুং ইন্দিয়ানা ক্বালিফাইয়িংগী অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অদু ভুবনেশ্বরদা লৈবা কলিঙ্গা ষ্টেদিয়মদা মার্চ ২৬তা শান্নগদৌরি। কেম্প অদুদা মার্চ ৯দা শান্নরোয় ২৩না হান্না য়ৌগনি অদুগা অতোপ্পা শান্নরোয় ২০না মার্চ ১৬তা কেম্প অদু শরুক য়াগদৌরি।

থৌনাওজম জিক্সন অহানবা ওইনা সিনিয়র ইলভেন টিম শেম্ননবা কৌখৎপা কেম্পতা য়াওখি। কুমাম উদান্তাদি হান্নদগী ইন্দিয়াগী টিমদা অদুমক য়াওদুনা লাক্লবনি। নহা ওইরিবা য়ু-১৭ ফিফা ৱর্ল্ড কপকী ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ওইখিবা কিয়াম অমর্জিৎ হান্না ইন্দিয়া ইলভেন ফংখ্রবনি। লোয়ননা তেলেম জেকিচান্দসু কেম্প অয়াম্বদা শরুক য়াখি।

কেম্প অসিদা পুন্না শান্নরোয় ৪৩ তোঙান-তোঙানবা মতমদা য়ৌরক্কদৌরিবা অসি হিরো ইন্দিয়ন সুপর লীগকী সেমীফাইনেল নোক আউট ষ্টেজদা শরুক য়ারিবা শান্নরোয় ২০ য়াওখিবননি।

চালৌ কপ ২০২০

# ৱাই দি সী এল অমদি এ এস এস এ ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭(ঐচএনএস): চালৌ য়ুথ য়ুনিয়ন ক্লবনা শীন্দুনা চলৌ কাংজৈবুঙদা চথরিবা ১০শুবা লম্লাই কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইস ওপন ৭ এ-সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা ৱাই দি সী এল পুংদোম্বম অমসুং এ এস এস এ শঞ্জেনবম মায় পাক্তুনা ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৩৩শুবা মেচ ওইনা ৱাই দি এল সী পুংদোম্বম অমসুং টেলৌ এফ সী লম্বা তৌনখি। মেচ অসিগী অহানবা হৌরকপা মিনটতা টেল্লৌ এফ সীগী এন জি জিতেন জর্সি নম্বর ১০না পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১-০দা মাংজিল থাবা হৌখি। অদুবু মিনট ৯ লৈরগা ৱাই দি সী এলগী এম তেলহৈব জর্সি নম্বর ৮না ১০শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর চন্দুনা পাঞ্জল ১-১দা লৈহনখি।

টিম অনীমক্না লম্বা মান্ননা শান্নরকপগী ২০শুবা মিনটতা ৱাই দি সী এলগী কে ঐচ সনামচা জর্সি নম্বর ১৪না পাঞ্জল অমা হাপচিন্দুনা ২-১দা মাংজিল থাখি। অদুবু শুপ্নগী মিনটত ২ লৈরগা টেল্লৌ এফ সীগী এস নোবেল জর্সি নম্বর ৮না পাঞ্জল অমা চন্নগা ২-২দা অমুক লৈহনখি।

পাঞ্জল মান্নরবা মতুং শান্নবগী ২৭শুবা মিনটতা ৱাই দি সী এলগী কে ঐচ সনামচানা পাঞ্জল অমগা অমুক চনখিবগা লোয়ননা ৪৭শুবা মিনটতা টিম অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা তেলহৌবনা পাঞ্জল অমগা অমুক হাপচিল্লগা মখোয়না টেল্লৌ এফ সীবু পাঞ্জল ৪-২দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা এ এস এস এ শঞ্জেনবম অমসুং সী ঐচ ৱাই য়ু সী (বি) চলৌ লম্বা তৌনখিবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা পেনাল্টি কাউনখি। পেনাল্টিদা শান্নরোয় ৬/৬না কাউনখিবা অদুদা এ এস এস এ শঞ্জেনবমনা ৪ চনবা ঙমখি অদুগা সী ঐচ ৱাই য়ু সী (বি)না ৩ খক চনখিবদগী এ এস এস এনা মায় পাক্তুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেচ মথং থা মার্চ ৯গী পুং ১.৩০ তাবা মতমদা ৱাই দি সী এল পুংদোম্বম অমসুং এ এস এস এ শঞ্জেনবম লম্বা তৌনরগনি।

১৮শুবা ও এফ এ কপ ২০২০

# এফ সী লম্লাই অমদি দ্রেস হাউস এফ সী পাৎশোই মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭ (ঐচএনএস): ও এফ এ পুংদোংম্বমনা শীন্দুনা টিম ২৪না শরুক য়াদুনা ও এফ এ গ্রাউন্দ পুংদোংম্বমদা চথরিবা ১৮শুবা ও এফ এ কপ ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এফ সী লম্লাই অমদি দ্রেস হাউস এফ সী পাৎশোই মায় পাকপা ঙমখ্রে।

অহনাবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেচতা এফ সী লম্লাই অমদি সভেন ষ্টার লংথবালগা লম্বা তৌনখি। মেচ অসি এফ সী লম্লাইনা সভেন ষ্টারবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীবা ঙমখি। এফ সী লম্লাইগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনখিবশিং অদুদি ও রোম জর্সি নম্বর ৯ অমদি হাংমৈ কুকি জর্সি নম্বর ২০ মথং শীৎনা ১৮ অমসুং ৪২শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমমম চনখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা দ্রেস হাউস এফ সী পাৎশোইনা কিপসন এফ সী থিনুঙ্গৈবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখি। দ্রেস হাউসকী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনখিবশিং অদুদি লৈঙাকপা জর্সি নম্বর ১১ অমদি কিসন জর্সি নম্বর ১৮না ২১শুবা অমদি ৩২শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমমম চনখি। অদুগা কিপসন এফ সী থিনুঙ্গৈগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা কালি জর্সি নম্বর ৯না ৮শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

কোইজম য়াইমা ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০

# য়ু ভি এস এ (বি)না আই ই ভি এস এবু অমদি কে ভি এফ এনা য়ু ভি এস এ (সী)বু মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭ (ঐচএনএস): অকাম্পাৎ ভেটরান ফুটবোল এসোসিএসন, অকাম্পাৎনা শীন্দুনা টিম ১৫না গ্রুপ অহুম থোক্লা খাইদোক্লগা এলভেন ষ্টার স্পোর্টিং য়ুনিয়নগী ফুটবোল গ্রাউন্দ, অকাম্পাৎতা চথরিবা ৮শুবা কোইজম য়াইমা মেমোরিএল ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা য়ু ভি এস এ (বি)না আই ই ভি এস এবু অমদি কে ভি এফ এনা য়ু ভি এস এ (সী)বু মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে।

অহানবা গ্রাউন্দদা য়ু ভি এস এ (বি)না আই ই ভি এস এবু পাঞ্জল ২-১দা থোইখি। য়ু ভি এস এ (বি)গী পাঞ্জলশিং অদু লমখোকাম জর্সি নম্বর ১৬ অমদি এ ললিৎ জর্সি নম্বর ১৮না মথং শীৎনা ৮শুবা অমদি ২৩শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমমম চনখি। আই ই ভি এস এগী পাঞ্জলনা শান্নবগী ১৯শুবা মিনটতা হাওখোলেন জর্সি নম্বর ১৩না চনখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা কে ভি এফ এ অমদি য়ু ভি এস এ (সী) লম্বা তৌনখি। মদুদা কে ভি এফ এনা য়ু ভি এস এ (সী)বু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীবা ঙমখি।

১০শুবা সহিদ মনোরঞ্জন সিংহ মেমোরিএল সী আর পি এফ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# মুভানলাইনা জে এস ৱাই সীবু মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭(ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর অমদি নাগালেন্দ সেক্টর সী আর পী এফনা শীন্দুনা টিম ২৫না শরুক য়াদুনা সাই স্পোর্টস কমপ্লেক্স তাকয়েলগী আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা চথরিবা ১০শুবা সহিদ মনোরঞ্জন সিংহ মেমোরিএল সী আর পি এফ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা মুভানলাইনা জে এস ৱাই সীবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৪শুবা মেচতা জে এস ৱাই সী অমসুং মুভানলাই লম্বা তৌনখি। অহানবা হাফতা মুভানলাইনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা হৌরকখি। শান্নবগী ২৩শুবা মিনটতা মুভানলাইগী এটেক অমদা টিম অদুগী গিনমিনথাং জর্সি নম্বর ৭না একাউন্ট হাংবা ঙমদুনা ১-০দা মাংজিল থাখি।

জে এস ৱাই সীগী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর ফংনবা হোৎনরকখিবশিং অদু অরেম্বা তাহন্দুনা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমহন্দনা মখোয়বু মুভানলাইনা ০-১ হেন্দুনা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ জে এস ৱাই সীনা শোথুরিবা পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনরকখি। অদুবু মুভানলাইগী দিফেন্দরশিং নীংথিনা থীংখিবদগী বোল পুশিনবা ঙমহনখিদে। জে এস ৱাই সীনা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ শান্নবগী ৭০শুবা মিনটতা মুভানলাইগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা গিনমিনথাংনা পাঞ্জল অমগা অমুক হাপচিন্দুনা ২-০দা হেন্দুনা লৈখি।

মেচ অসিগী লেমহৌরিবা মতমশিংদা জে এস ৱাই সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদবা অমদি মুভানলাইগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙমখিদবদগী মেচ অসি মুভানলাইনা জে এস ৱাই সীবু পাঞ্জল ২-০দা থোইবা ঙমখি।







Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com